# চিলড্রেন হোমদগী স্পোর্টস করিয়র শেম্লক্লগা জুদোগী কোচ অমা ওইরকখিবা দেবেন মোইরাংথেম



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

জুদোদা মীৎয়েং অমা

জুদো হায়বা গেম মখল অসি মণিপুরীশিংগদি য়াম্নমক চানবা মশান্না অমনি। ফুটবোলগুম্না, বোক্সিংগুম্না, হেক য়েংবদা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমদবা স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইজরগসু লমদমসিগী শান্নরোয়শিংনা কম্মনৱেলথ গেমসতা, এসিয়ন গেমসতা, ওলিম্পিক গেমসতা ইরায় লায়না খোঙ কানশিনবা ঙম্বা গেম অমদি ওইরি। ঐখোয়গী ইপা ইপূশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী শান্নরকখিবা শরিৎ-শরাক, মুক্না, থাঙ-তাগী অকূপ্পা কাঙলোনশিংগা খরা নক্নবা লৈবনা মণিপুরী অসি জুদোগা চাশিন্নবা য়াম্না লৈ। মরম অদুনা মশান্না অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা কূপ্না য়েংশিনবীবগী তঙাইফদবা কয়াসু লৈরি।

হৌজিক হৌজিক য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা জুদোগী কোচ ওইনা লৈরিবসি পূন্না কোচ অহুমনি। হান্না মঙা লৈরম্বগী মনুংদা ওজা অনী অমদি চহী অমরোমগী মমাঙদগী থবক তৌবগী মতম লোইদুনা পোখাখ্রে। য়াসকী ওইনা হৌজিক লৈরিবা কোচ অহুম্না খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর হোলগী মতাই অমদা ষ্টেটকী জুদো শান্নরোয় শেমগৎপা ওইনা আর সী সীগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অয়ূক্কী মতমদা পীরি। তৌবদি, মণিপুরদা জুদো শান্নরোয় শেমগৎলিবা মফমশিং অসি খুমন লম্পাক্কী সাই এস এ জি হোলদা সেন্টর অমা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিদা অমা অদুগা ষ্টেটকী ওইনা ইন্দোর হোলদা শারিবসিগা পূন্না অহুমনি।

য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা জুদোগী কোচ ওইনা লৈরিবশিংগী মনুংদা দেবেন মোইরাংথেমসু অমনি। কোচ অসিগী মতাংদা খরদং নীংশিংলম্বা য়াবশিংদি - কুমজা ১৯৭০গী জুলাই ২৭তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খাঙবোক মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম ফবী অমদি মোইরাংথেম ওংবী লৈবাকলৈগী মচা তরুক (নুপী অহুম নুপা অহুম) কী ইতোন তোনবা মচা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি।

লোয়ননা মীরোল তাদ্রিঙৈদা অপোকপী মমা নৌনা কায়নখি। মদুনা মরম ওইরগা পিক্লিঙৈদগী অৱা চৈথেং কয়া ফংলকখি। খাঙবোক মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা লায়রবদা খম থেংবা ইমুং অমদা পোক্লবনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পুন্সিগী ষ্ট্রগল কয়া তৌবা হৌরকখি। পুক খিত্তুং থন্না চাবা ফংননবা হিংনবগী পান্থে থিবা ওইনা মশাগী চহী তরুক/তরেৎ হায়রকপা মতমদা বি ঐচ মধুমতি কৌবী নুপী অমনা পুশিনবীদুনা মহিলা কৈল্যান সম্মিটিনা চলাইবা চিলড্রেন হোমদা লৈরকখি।

দ্যুলালেন্দগী চিলড্রেন হোমদা লৈরবা মতমদা দেবেন শান্ন-খোৎনবগী লম্বীদা মীৎয়েং থম্বা হৌরকখি। অহানবা ওইনা যোগ ত্রেনিং তৌরকখি। থৱায় য়াওনা শান্নরকপা ওইবনা কুমজা ১৯৮২দা ইম্ফালদা তৌখিবা নোর্থইষ্ট ইন্দিয়া যোগ কম্পিটিসন্দা সিলভর মেদল (জুনিয়র বোইজ) ফংবা ঙল্লকখি।

অসুম্না কুমজা ১৯৮৩ অসিদসু অসামগী করিমগঞ্জদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া যোগ কম্পিটিসন্দসু জুনিয়র বোইজগী চাংয়েংনবদা সেঞ্চেংগী মেদল লৌরকখি। মখা তারকপা কুমজা ১৯৮৪দা ন্যু দেল্লিদা তৌখিবা জুনিয়র বোইজগী কাঙলূপ্তসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

যোগখত্তা নত্তনা মুক্না, কুংফুনচিংবসু তপ্না তপ্না শান্নবা হৌরকখি। দেবেনগী স্পোর্টস করিয়রশিং অসিদি চিলড্রেন হোমদা লৈরবা মতমদা মশানা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা শেমগৎচরকখিবা ঙাক্তনি। মুক্নাগী লৌশিং অমদি কাঙলোনগীদমক দেবেননা থাংমৈবন্দদা লৈবা আর কে রনেন্দ্রজিৎ, মীয়াম্না তা শ্যাম হায়না খঙনবা চিংলেন অমদি সোইবম লৈকায়দগী দল্লিয়ু শ্যামনচিংবা মীওইশিংগী মনাক্তা চৎতুনা তম্লকখি।

কুংফু মশান্না অসিদসু কুমজা ১৯৮৬তা গুৱাহাটিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা তৌখিবা 'অহানবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ' তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবদা সনাগী মেদল লৌরকপগা লোয়ননা বেষ্ট ফাইটরগী মীংথোলসু ফংবা ঙল্লকখি। হায়রিবা চহী অদুমক্তদা তৌখিবা 'নোর্থ ইষ্ট কুংফু চেম্পিয়নশিপ' তসু দেবেন মোইরাংথেম লুপাগী মেদল লৌরকখি।

-মথং-মথং

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৮


১। অহানবা অমসুং অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন খরদি মমা লৈবাক্কীদমক লাঞ্জাওশিং অসিদা শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা অনীশুবা লাঞ্জাও কুমজা ১৯৪০দা KARELIAN ISTHMUS তা য়েক্লবনা হাংখিবা অমা য়াওই। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

২। ক্রিকেট টেষ্টতা রন ২০০০ অমসুং ৱিকেট ২০০ পূন্না অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। মণিপুরদা "PUBLIC SPORT MEET" হায়না খঙনবা অচৌবা স্পোর্টস অমা পাঙথোকখি। স্পোর্টস অসি অমুকখক্তমক পাঙথোকখি। অনীরকশুনা পাঙথোকখিদে। করম্বা চহীদা স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোকখি?

৪। খুরাইজম অঙৌ মুক্না যাত্রানি। মহাক মণিপুরগী করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা মমিং চৎলম্বা মুক্নারোইনো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

## NOTIFICATION

**Imphal, the 14th February, 2019**

No. Ex/198/11 (pt): The following list of Examination Centres for the High School Leaving Certificate Examination, 2019 are hereby announced along with the venues and Roll Numbers of the Candidates allotted to each centre for general information of all concerned. For other details, candidates may contact the Officers-in-Charge of their respective Centres. Candidates are also informed that they are required to bring blue/black ball point pens for darkening the OMR bubbles/ circles.

**Encl :- As stated above.**

**Sd/- Dr. Chithung Mary Thomas, Secretary**

### BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
### List of Examination Centres for the High School Leaving Certificate Examination, 2019

| SL.NO | CODE | NAME OF THE CENTRE | DISTRICT | ROLL RANGE | NO. OF STUD |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 07C001 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL , MARAM | SENAPATI | 10001 - 10267 | 267 |
| 2 | 07C002 | MAO MARAM HIGHER SECONDARY SCHOOL, TADUBI | SENAPATI | 10268 - 10519 | 252 |
| 3 | 07C003 | SARDAR PATEL HIGH SCHOOL, MAO | SENAPATI | 10520 - 10765 | 246 |
| 4 | 07C004 | BETHANY HIGHER SECONDARY SCHOOL, SENAPATI | SENAPATI | 10766 – 11013<br>47020 - 47055 | 284 |
| 5 | 07C005 | LAO RADIANT SCHOOL, KARONG | SENAPATI | 11014 - 11287 | 274 |
| 6 | 07C006 | DAIKHO VA SCHOOL, SENAPATI | SENAPATI | 11288 - 11494 | 207 |
| 7 | 07C007 | PURUL HR. SEC. SCHOOL, PURUL | SENAPATI | 11495 – 11754<br>47056 - 47059 | 264 |
| 8 | 05C008 | UKHRUL HR. SEC. SCHOOL | UKHRUL | 11755 - 12049 | 295 |
| 9 | 05C009 | ALICE CHRISTIAN HR. SEC. SCHOOL, P.O. UKHRUL | UKHRUL | 12050 - 12345 | 296 |
| 10 | 05C010 | MARINGMI MEMORIAL SCHOOL, UKHRUL | UKHRUL | 12346 - 12628 | 283 |
| 11 | 05C011 | MODEL HIGH SCHOOL, UKHRUL | UKHRUL | 12629 - 12877 | 249 |
| 12 | 05C012 | UKHRUL CENTRAL SCHOOL, UKHRUL | UKHRUL | 12878 - 13125 | 248 |
| 13 | 12C013 | KAMJONG HIGH SCHOOL, KAMJONG | KAMJONG | 13126 - 13243 | 118 |
| 14 | 12C014 | SOMDAL N.K. HR. SEC. SCHOOL, SOMDAL | UKHRUL | 13244 – 13531<br>47060 | 289 |
| 15 | 12C015 | PHUNGYAR HIGH SCHOOL, KAMJONG DISTRICT | KAMJONG | 13532 - 13670 | 139 |
| 16 | 12C016 | KASOM KHULLEN HIGH SCHOOL, KASOM KHULLEN | KAMJONG | 13871 - 13867 | 197 |
| 17 | 05C017 | CHINGAI HIGH SCHOOL, UKHRUL | UKHRUL | 13868 - 14191 | 324 |
| 18 | 08C018 | PRETTY LAMB INSTITUTE, TAMENGLONG | TAMENGLONG | 14192 - 14421 | 230 |
| 19 | 08C019 | TAMENGLONG HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG | TAMENGLONG | 14422 - 14643 | 222 |
| 20 | 08C020 | LANGMEI HIGHER SECONDARY SCHOOL, TAMEI | TAMENGLONG | 14644 - 14796 | 153 |
| 21 | 15C021 | SHARON ENGLISH HIGH SCHOOL, NONEY | NONEY | 14797 - 15053 | 257 |
| 22 | 08C022 | TENGKONJANG HR. SEC. SCHOOL, NONEY | NONEY | 15054 - 15322 | 269 |
| 23 | 15C023 | DON BOSCO HIGH SCHOOL, KHOUPUM | NONEY | 15323 - 15549 | 227 |
| 24 | 15C024 | KHANGSILLUNG HR. SEC. SCHOOL, KHOUPUM | NONEY | 15550 - 15657 | 108 |
| 25 | 15C025 | NUNGBA HIGH SCHOOL, NONEY DISTRICT | NONEY | 15658 - 15818 | 161 |
| 26 | 16C026 | IDEAL HIGH SCHOOL, PALLEL | TENGNOUPAL | 15819 – 15981<br>47061 - 47079 | 182 |
| 27 | 16C027 | M.G. EVERGREEN HIGH SCHOOL, PALLEL | TENGNOUPAL | 15982 – 16280<br>47080 - 47084 | 304 |
| 28 | 16C028 | ST. JOSEPH'S HIGH SCHOOL, KURAOPOKPI | TENGNOUPAL | 16281 – 16522<br>47085 – 47088<br>47231 | 247 |
| 29 | 09C029 | MAHA UNION HIGH SCHOOL, CHANDEL | CHANDEL | 16523 – 16815<br>47089 | 294 |
| 30 | 09C030 | LIWACHANGNING HIGH SCHOOL, KOMLATHABI | CHANDEL | 16816 – 17172<br>47090 | 358 |
| 31 | 16C031 | MOREH HIGH SCHOOL, MOREH | TENGNOUPAL | 17173 - 17371 | 199 |
| 32 | 16C032 | ST. GEORGE SCHOOL, MOREH | TENGNOUPAL | 17372 - 17560 | 189 |
| 33 | 10C033 | JIRIBAM HIGHER SEC. SCHOOL, JIRIBAM | JIRIBAM | 17561 - 17842 | 282 |
| 34 | 10C034 | R.K. SANATOMBI DEVI VIDYALAYA, JIRIBAM | JIRIBAM | 17843 - 18071 | 229 |
| 35 | 10C035 | BOROBEKRA HR. SEC. SCHOOL, JIRIBAM | JIRIBAM | 18072 - 18203 | 132 |
| 36 | 06C036 | CHILDRENS' TRAINING HIGH SCHOOL, CCPUR | CCPUR | 18204 - 18532 | 329 |
| 37 | 06C037 | CHURACHANDPUR HIGH SCHOOL, CCPUR | CCPUR | 18533 - 18850 | 318 |
| 38 | 06C038 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CCPUR (A) | CCPUR | 18851 - 19170 | 320 |
| 39 | 06C039 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CCPUR (B) | CCPUR | 19171 – 19474<br>47232 | 305 |
| 40 | 06C040 | EBENEZER ACADEMY, CCPUR (A) | CCPUR | 19475 - 19782 | 308 |
| 41 | 06C041 | EBENEZER ACADEMY, CCPUR (B) | CCPUR | 19783 - 20109 | 327 |
| 42 | 06C042 | PHUNGKHOTHANG GOVT. HIGH SCHOOL | CCPUR | 20110 - 20424 | 315 |
| 43 | 06C043 | RENGKAI HIGH SCHOOL, CCPUR | CCPUR | 20425 - 20749 | 325 |
| 44 | 06C044 | SIELMAT CHRISTIAN HIGH SCHOOL, CCPUR | CCPUR | 20750 - 20989 | 240 |
| 45 | 06C045 | YOUNG LEARNER'S SCHOOL, CHURACHANDPUR | CCPUR | 20990 - 21185 | 196 |
| 46 | 14C046 | MODEL ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAIKUL | KANGPOKPI | 21186 - 21396 | 211 |
| 47 | 14C047 | THANGTONG HR. SEC. SCHOOL, SAIKUL | KANGPOKPI | 21397 – 21615<br>47091 | 220 |
| 48 | 14C048 | MOTBUNG HIGH SCHOOL, MOTBUNG | KANGPOKPI | 21616 - 21895 | 280 |
| 49 | 14C049 | MORNING STAR ENGLISH SCHOOL, SAPARMEINA | KANGPOKPI | 21896 – 22219<br>47092 | 325 |
| 50 | 14C050 | SONGPAO LHINGHAT MEMORIAL HIGH SCHOOL | KANGPOKPI | 22220 – 22381<br>22457 - 22567 | 273 |
| 51 | 14C051 | KEITHELMANBI HIGH SCHOOL, KEITHELMANBI | KANGPOKPI | 22382 – 22456<br>22568 – 22660 | 168 |
| 52 | 14C052 | ELITE HIGHER SECONDARY SCHOOL, KANGPOKPI | KANGPOKPI | 22661 - 22889 | 229 |
| 53 | 14C053 | PARIZEAU MARANATHA ACADEMY, KANGPOKPI | KANGPOKPI | 22890 - 23113 | 224 |
| 54 | 14C054 | T. VAICHONG HIGH SCHOOL, KANGPOKPI | KANGPOKPI | 23114 - 23250 | 137 |
| 55 | 01C055 | BISHNULAL HIGH SCHOOL, CHARHAJARE | KANGPOKPI | 23251 - 23480 | 230 |
| 56 | 01C056 | HINDI SECONDARY SCHOOL, KANGLATONGBI | KANGPOKPI | 23481 - 23691 | 211 |
| 57 | 11C057 | ST. JOSEPH'S HR. SEC. SCHOOL, SUGNU | CHANDEL | 23692 - 24069 | 378 |
| 58 | 11C058 | SUGNU HIGHER SECONDARY SCHOOL, SUGNU | KAKCHING | 24070 - 24319 | 250 |
| 59 | 01C059 | NILAPADMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, SEKMAI (A) | IMPHAL WEST | 24320 - 24561 | 242 |
| 60 | 01C060 | NILAPADMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, SEKMAI (B) | IMPHAL WEST | 24562 - 24728 | 167 |
| 61 | 02C061 | HEINGANG HIGH SCHOOL, HEINGANG | IMPHAL EAST | 24729 - 24978 | 250 |
| 62 | 02C062 | SAWOMBUNG HIGH SCHOOL, SAWOMBUNG | IMPHAL EAST | 24979 – 25261<br>47093 | 284 |
| 63 | 02C063 | SUCCESS SCHOOL, CHINGAREL, SAWOMBUNG | IMPHAL EAST | 25262 - 25504 | 243 |
| 64 | 02C064 | N. BIRAHARI COLLEGE, PANGEI | IMPHAL EAST | 25505 - 25860 | 356 |
| 65 | 02C065 | LAMLAI HIGH SCHOOL, PUNGDONGBAM | IMPHAL EAST | 25861 - 26169 | 309 |
| 66 | 02C066 | CHING TAM HIGH SCHOOL, YAINGANGPOKPI | IMPHAL EAST | 26170 - 26432 | 263 |
| 67 | 04C067 | LOKTAK CHRISTIAN MODEL HIGH SCHOOL, MOIRANG | BISHNUPUR | 26433 - 26712 | 280 |
| 68 | 04C068 | MOIRANG MULTIPURPOSE HR. SEC. SCHOOL, MOIRANG | BISHNUPUR | 26713 – 27069<br>47201 - 47230 | 387 |
| 69 | 04C069 | ANITA STANDARD HIGH SCHOOL, KWAKTA | BISHNUPUR | 27070 - 27257 | 188 |
| 70 | 04C070 | MUKTA HIGH SCHOOL, MOIRANG | BISHNUPUR | 27258 - 27461 | 204 |
| 71 | 04C071 | NINGTHOUKHONG HR. SEC. SCHOOL, NINGTHOUKHONG | BISHNUPUR | 27462 - 27696 | 235 |
| 72 | 04C072 | THANGA HIGH SCHOOL, THANGA | BISHNUPUR | 27697 - 27920 | 224 |
| 73 | 04C073 | BISHNUPUR HIGHER SECONDARY SCHOOL, BISHNUPUR | BISHNUPUR | 27921 - 28244 | 324 |
| 74 | 04C074 | LOYOLA SCHOOL, BISHNUPUR | BISHNUPUR | 28245 - 28463 | 219 |
| 75 | 04C075 | OINAM HIGH SCHOOL, OINAM | BISHNUPUR | 28464 - 28768 | 305 |
| 76 | 04C076 | NAMBOL HIGHER SECONDARY SCHOOL, NAMBOL | BISHNUPUR | 28769 - 29168 | 400 |
| 77 | 04C077 | NAMBOL COLLEGIATE HIGH SCHOOL, NAMBOL | BISHNUPUR | 29169 - 29389 | 221 |
| 78 | 04C078 | NAREE KALYAN VIDYALAYA, NAMBOL | BISHNUPUR | 29390 - 29690 | 301 |
| 79 | 01C079 | MEKOLA GULAP HIGHER SECONDARY SCHOOL | IMPHAL WEST | 29691 - 29920 | 230 |
| 80 | 04C080 | KUMBI HIGH SCHOOL, KUMBI | BISHNUPUR | 29921 – 30208<br>47094 - 47095 | 290 |
| 81 | 06C081 | SAGANG HIGH SCHOOL, SAGANG | CCPUR | 30209 - 30370 | 162 |
| 82 | 11C082 | WANGOO HIGH SCHOOL, WANGOO | BISHNUPUR | 30371 – 30535<br>47096 | 166 |
| 83 | 11C083 | LANGMEIDONG HR. SEC. SCHOOL, LANGMEIDONG | KAKCHING | 30536 - 30985 | 450 |
| 84 | 11C084 | LANGMEIDONG AIDED HIGH SCHOOL, LANGMEIDONG | KAKCHING | 30986 - 31210 | 225 |
| 85 | 03C085 | HEIROK HIGH SCHOOL, HEIROK PART-II | THOUBAL | 31211 – 31432<br>47097 | 223 |
| 86 | 03C086 | HEIROK HR. SEC. SCHOOL, HEIROK PART-I | THOUBAL | 31433 – 31649<br>47252 | 218 |
| 87 | 11C087 | KAKCHING HR. SEC. SCHOOL, KAKCHING | KAKCHING | 31650 - 31916 | 267 |
| 88 | 11C088 | MARTIN GRAMMAR SCHOOL, KAKCHING | KAKCHING | 31917 - 32239 | 323 |
| 89 | 11C089 | KAKCHING KHUNOU HIGH SCHOOL, KAKCHING KHUNOU | KAKCHING | 32240 - 32409 | 170 |
| 90 | 03C090 | LALIT MADHOB SHARMA HIGH SCHOOL, KHONGJOM | THOUBAL | 32410 - 32752 | 343 |
| 91 | 03C091 | WANGBAL JR. HIGH SCHOOL | THOUBAL | 32753 - 33035 | 283 |
| 92 | 03C092 | KHANGABOK HIGHER SECONDARY SCHOOL, KHANGABOK | THOUBAL | 33036 - 33385 | 350 |
| 93 | 03C093 | SANGAIYUMPHAM HIGH SCHOOL, SANGAIYUMPHAM | THOUBAL | 33386 - 33702 | 317 |
| 94 | 03C094 | ISLAMIC BABY ENGLISH SCHOOL, LILONG | THOUBAL | 33703 – 33739<br>33775 – 33804<br>33866 – 33943<br>34537 - 34571<br>47098 - 47110 | 193 |
| 95 | 03C095 | LILONG HIGHER SECONDARY MADRASSA, LILONG (A) | THOUBAL | 33740 – 33774<br>33805 – 33865<br>33944 – 33991<br>34311 - 34536 | 370 |
| 96 | 03C096 | LILONG HIGHER SECONDARY MADRASSA, LILONG (B) | THOUBAL | 33992 - 34310 | 319 |
| 97 | 02C097 | AZAD HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | IMPHAL EAST | 34572 - 34818 | 247 |
| 98 | 02C098 | POIROU KHONGJIN HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | IMPHAL EAST | 34819 - 35038 | 220 |
| 99 | 03C099 | YAIRIPOK HIGH SCHOOL, YAIRIPOK (GOVT) | THOUBAL | 35039 - 35270 | 232 |
| 100 | 03C100 | SEKMAI KHUMBI HIGH SCHOOL (GOVT) | THOUBAL | 35271 - 35604 | 334 |
| 101 | 03C101 | STNBA HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | KANGPOKPI | 35605 - 35942 | 338 |
| 102 | 03C102 | MOIRANGPUREL HIGH SCHOOL, MOIRANGPUREL | IMPHAL EAST | 35943 - 36166 | 224 |
| 103 | 03C103 | CHAOYAIMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, THOUBAL | THOUBAL | 36167 – 36462<br>36496 - 36569 | 370 |
| 104 | 03C104 | THOUBAL LEITANTHEM KANHAI JR. HIGH SCHOOL | THOUBAL | 36463 – 36495<br>36570 – 36670<br>36734 - 36752 | 153 |
| 105 | 03C105 | NEW IDEAL HIGH SCHOOL, THOUBAL | THOUBAL | 36671 - 36733<br>36753 – 37041 | 352 |
| 106 | 01C106 | N. TOMCHOU HIGHER SECONDARY SCHOOL, MAYANG IMPHAL | IMPHAL WEST | 37042 – 37374<br>47111 - 47175 | 398 |
| 107 | 01C107 | PISHAKMACHA BIDYA MANDIR, MAYANG IMPHAL | IMPHAL WEST | 37375 - 37749 | 375 |
| 108 | 11C108 | WABAGAI HIGHER SECONDARY SCHOOL | KAKCHING | 37750 – 38048<br>47176 | 299 |
| 109 | 03C109 | THE LAMDING HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMDING | THOUBAL | 38049 - 38277 | 229 |
| 110 | 01C110 | WANGOI HR. SEC. SCHOOL, WANGOI | IMPHAL WEST | 38278 – 38598<br>47177 - 47183 | 328 |
| 111 | 01C111 | YUMNAM HUIDROM HIGH SCHOOL, YUMNAM HUIDROM | IMPHAL WEST | 38599 – 38924<br>47184 – 47185<br>47233 | 329 |
| 112 | 01C112 | UCHIWA HIGH SCHOOL, UCHIWA (AIDED) | IMPHAL WEST | 38925 – 39336<br>47186 – 47192<br>47234 - 47235 | 421 |
| 113 | 01C113 | SAMUROU HIGH SCHOOL, SAMUROU | IMPHAL WEST | 39337 - 39607 | 271 |
| 114 | 01C114 | KUMARI HIGH SCHOOL, HIYANGTHANG | IMPHAL WEST | 39608 – 40007<br>47193 | 401 |
| 115 | 01C115 | RECENT HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAGOLTONGBA | IMPHAL WEST | 40008 - 40256 | 249 |
| 116 | 01C116 | S.K. IDEAL HIGH SCHOOL, NGAIRANGBAM | IMPHAL WEST | 40257 - 40501 | 245 |
| 117 | 01C117 | PRAJA HIGH SCHOOL, LAMSANG | IMPHAL WEST | 40502 – 40766<br>47194 - 47196 | 268 |
| 118 | 01C118 | MODEL HIGHER SECONDARY SCHOOL, TAKYEL | IMPHAL WEST | 40767 - 41062 | 296 |
| 119 | 02C119 | C.C. HIGHER SECONDARY SCHOOL, IMPHAL (A) | IMPHAL EAST | 41063 - 41371 | 309 |
| 120 | 02C120 | C.C. HIGHER SECONDARY SCHOOL, IMPHAL (B) | IMPHAL EAST | 41372 – 41662<br>47238 - 47251 | 305 |
| 121 | 02C121 | WANGKHEI HIGH SCHOOL | IMPHAL EAST | 41663 – 41942<br>47197 | 281 |
| 122 | 02C122 | NONGPOK MAHEIKOL, BRAHMAPUR ARIBAM LEIKAI | IMPHAL EAST | 41943 - 42226 | 284 |
| 123 | 01C123 | REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL, KWAKEITHEL (A) | IMPHAL WEST | 42227 - 42507 | 281 |
| 124 | 01C124 | REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL, KWAKEITHEL (B) | IMPHAL WEST | 42508 - 42762 | 255 |
| 125 | 01C125 | TEMPLE OF LEARNING, CANCHIPUR | IMPHAL WEST | 42763 – 43040<br>47236 | 279 |
| 126 | 02C126 | ANANDA SINGH HR. SECONDARY ACADEMY, IMPHAL (A) | IMPHAL EAST | 43041 – 43305<br>47198 | 266 |
| 127 | 02C127 | ANANDA SINGH HR. SECONDARY ACADEMY, IMPHAL (B) | IMPHAL EAST | 43306 – 43574<br>47237 | 270 |
| 128 | 02C128 | DON BOSCO HIGH SCHOOL, IMPHAL | IMPHAL EAST | 43575 - 43883 | 309 |
| 129 | 01C129 | RAMLAL PAUL HR. SEC. SCHOOL | IMPHAL WEST | 43884 – 44157<br>47199 | 275 |
| 130 | 02C130 | LAMLONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMLONG | IMPHAL EAST | 44158 - 44439 | 282 |
| 131 | 01C131 | STANDARD ROBARTH HR. SEC. SCHOOL, CANCHIPUR | IMPHAL WEST | 44440 - 44687 | 248 |
| 132 | 01C132 | KEISHAMTHONG HIGH SCHOOL, IMPHAL | IMPHAL WEST | 44688 - 44886 | 199 |
| 133 | 02C133 | TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL, IMPHAL (A) | IMPHAL EAST | 44887 - 45187 | 301 |
| 134 | 02C134 | TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL, IMPHAL (B) | IMPHAL EAST | 46057 - 46341 | 285 |
| 135 | 01C135 | IBOTONSANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL | IMPHAL WEST | 45466 - 45706 | 241 |
| 136 | 01C136 | JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (A) | IMPHAL WEST | 45707 – 46056<br>47200 | 351 |
| 137 | 01C137 | JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (B) | IMPHAL WEST | 45188 - 45465 | 278 |
| 138 | 01C138 | TAMPHASANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (A) | IMPHAL WEST | 46342 - 46686 | 345 |
| 139 | 01C139 | TAMPHASANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (B) | IMPHAL WEST | 46687 - 47019 | 333 |

# ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পনঘল ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

সোফিয়া, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী)ঃ বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা পাঙথোকপা ৭০শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পনঘল কেজি ৪৯গী কেটেগোরিদা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অমিট পনঘলনা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা অনীরকশুবা গোল্ড মেদল ফংনবা শরুক য়ারকপনি।

মহাক্না অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎতা থিন্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউট অমদা উক্রেনগী বোক্সর নজর কুরোটচিনগা লম্বা তৌনরগনি। হায়রিবা বাউট অদু মায় পাক্লবদি য়ুরোপতা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুগী মেদল অমদি শোয়দনা অমিট পঙ্খলনা ফংলগনি।

নাকল অমরোমদা, কেজি ৯১গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর কম্মৱেলথ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট নমন টনৱরসু বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা পোলেন্দগী মাইকেল সোজিলস্কিগা থাংজ নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা কেজি ৫৪গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী মমাঙ চহীগী রন্নর্স-অপ মিনাকুমারি ক্বার্টর ফাইনেলদা অহানবা রাউন্দ শান্নরগনি। লোয়ননা কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা নিরজ প্রী ক্বার্টর ফাইনেল থাক্তা অহানবা রাউন্দ থিন্নগদৌরি।



# স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা রোটর্দাম ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



রোটর্দাম, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী)ঃ নেদরলেন্দসকী সিটি রোটর্দামগী অহোয় এরেনাদা পাঙথোকপা রোটর্দাম ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা কনাদাগী মিলোস রাওনিকপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ওইনা শরুক য়ারকখিবা ষ্টান ৱারিঙ্কানা রোটর্দাম ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা কনাদাগী টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা মিলোস রাওনিকপু অকনবা লম্বা অমদা ৬-৪, ৭-৬ (৭-৪) দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৭তা মখুড শোক্তুনা ওপরেসন তৌখিবা ষ্টান ৱারিঙ্কানা অশোকপা অদু ফরবা মতুং অহানবা টাইটল ফংননবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা কনাদাগী শান্নরোয় দেনিস সাপোভালোপকা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, দেনিস সাপোভালোপনা ঙরাং শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জর্মনিগী টোমাস বর্দিসপু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বনি।

গ্রান্দ স্লাম টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কানা মহাক্কী মায়কৈদগী মখুড ওপরেসন তৌরুরবা মতুং শরুক য়ারকখিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা রোটর্দাম টুর্নামেন্ট অদু য়াম্না শিংথাবা য়াবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরি হায়রি।

মহাক্কী শাজেল অমদি হোৎনবা লেপখিদবা অদুনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা মেচ অনী শান্নবা ঙমখি। মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংনবা মহাক্কী লম্বাশিং অদুবু য়াম্না কন্না মায়োক্লবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।